# লায়না লাক্তনবা মকোন লূ-নান্না থন্বীবা

ডো: সরাংথেম জেসমারানি

শা-ষণ, য়েন-ঙানু য়োকপীরিবা খুদিংমক্না লায়না চেলহন্দনা শেন্দোং লৈনা য়োকপীগে হায়রগদি মখোয়না লৈগদৌরিবা মকোনশিংদু লূ-নান্না থন্বীবা হায়বসিনি। শা-ষণ, য়েন-ঙানুশিংনা লৈগদৌরিবা মকোনশিংদু লূ-নান্না থম্লগদি লায়না চেলহন্দনা পোথোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙমগনি।

**মকোন লূ-নান্না পায়খৎপা য়াবশিংদি ঃ**

(ক) লৈফম নিংথিনা শেংদোকপীবা
(খ) চপ চানা ড্রেনেজ থন্বীবা
(গ) নিংথিনা মকোন মনুংদা মৈ থানবীবা
(ঘ) নুংশিৎ নুংশা মরাং কায়না ফংহনবা
(ঙ) অনাবা লৌহন্দনবা হোৎনবীবা

**ক) মকোন নিংথিনা শেংদোকপীবা ঃ**

শা-ষণনা লৈরিবা মকোন্দু লুম্না থম্নবগীদমক চরু শীজিন্নবা য়াই। মসি নুমিৎ খুদিংগী নুংশাদা ফৌদোক্তুনা কংহল্লবা মতুংদা অমুক মকোন্দা থন্বীগনি। মচিঞ্জাক অমদি ঈশিং পীথক্লবা পাত্র খুদিংমক নুংমিৎ খুদিংগী ঈশিংদা চামথোকপীরগা কংনা নুংশাদা ফৌদোকপীরগা শীজিন্নবীগনি। মকোন মনুংদা লেংদনা লৈরিবা মচিঞ্জাক্কী পাত্র অমদি থক্লবা থল্লিবা ঈশিংগী পাত্র খুদিংমক শেংদোক্লবা মতুংদা অনৌবা মচিঞ্জাক অমদি ঈশিং হাপ্পীগনি। মকোন মনুংদগী শিৎতোক শেংদোক্লবা অমোৎ অকায় পূম্নমক অমদি অকোয়বদা লৈরিবা ফত্ত হৌদি খুদিংমক মৈ থাদোকপীগনি। করিগুম্বা মকোন্দু লৈবাক ওইরগদি হপ্তা খুদিংগী মরোন অমা লৌথোক্লগা অমুক অনৌবা মরোল অমা হাপ্পীদুনা থন্বীগনি। অতোপ্পা অমনা করিগুম্বা মকোনগী লৈমায়দু উ/ৱানা নৎত্রগা অষ্টর চনবা ওইরগদি নুমিৎ খুদিংগী ঈশিংনা চামথোকপীগনি।

**খ) ড্রেনেজ নিংথিনা থন্বীবা ঃ** মকোন শাবা মতমদা নিংথিনা নালা চন্দুনা নলালোমদা স্লোপ নাইনা থন্বীদুনা মথি ময়ুং পূম্নমক তাহন্দুনা মপান লোমদা নিংথিনা পুথোকপীগনি। পুথোরক্লিবা মথি ময়ুং অমদি মচিঞ্জাক অরেম্বা পূম্নমক নোংমদা অনীরক মকোন্দগী শেংদোক্তুনা মপানলোমদা পুথোক্তুনা কোম অমা তৌদুনা থাদবীগনি। কোমশিংদু হয়িং মচা কোক্তনবা কুপশিন্দুনা থন্বীগনি।

**গ) মকোন্দা মৈ থানবীবা ঃ** মকোন মনুংদা নিংথিনা মৈশা ফংহন্নবা হোৎনবীগনি। মকোনদা নুংশা মঙাল নিংথিনা ফংহল্লগদি লায়না থোরকপা য়াবা মহিক ময়াম অমা নুংশা মঙালনা হাৎপা ঙমহল্লি অমদি মকোনদু লৈনিল কাবগী চাং য়াম্না হন্থহল্লি। নুমিদাংগী মতমদসু শা-ষণ পূম্নমক নিংথিনা লৈনবা মৈ থানবীগনি।

**ঘ) নুংশিৎ নুংশা মরাং কায়না ফংহনবা ঃ** মকোন্দা নুংশিৎ নুংশা মরাং কায়না লৈহন্নবা ভেন্টিলেসন নিংথিনা থন্বীগনি। নমথিবা মনম পূম্নমক অশেংবা নুংশিৎনা হুমদোকখদুনা লায়না শন্দোরকপগী চাং হন্থহল্লি। য়েন মকোন শাবা মতমদসু লৈমায়দগী ফুট ১ গী চাংদা মেনবীরবা তুংদা মথক্না জালি হাপ্লগা শেন্বীরগদি য়েন্থিদা এমোনিয়াগী চাংদা ৱাংবনা নুংশিৎতগী হেন্না লুম্বগা মকোন কা হেন্না ফুনখ্রগদি এমোনিয়াগী গ্যাসসি পাইথোকপা ঙমদে। মসিনা মকোন মনুংদা লৈরিবা য়েনশিংদা মমিৎতগী মপি তারকপা, লোক লৈবগী মওংদা ময়া কাথোক্লগা মখোন থোক্না লোক খুবগী মওং উৎপা উগনি। অসিগম্বা মতমদুদা নুংশিৎ মরাং কায়না ফংহল্লগদি মনম পূম্নমক কোকপা ঙমহল্লি।

**ঙ) অনাবা অমগা অমগা লৌনহন্দবাঃ**

অনাবা লৌনহন্দনবা ঐখোয়না দিসইনফেক্টটেন ময়াম অমা শীজিন্নবা য়াই। মসিনা লায়না শন্দোরকপা য়াবা বেক্টেরিয়া অমদি পেরাসাইট ময়াম অমা হাৎপা ঙমহল্লি।

**দিসইনফেক্টটেন মখল অহুম থোকপা য়াই ঃ**

**(১) নেচরেল ঃ** নেচরেল দিসইনফেক্টটেন হায়রগদি নুমিৎকী মৈশানি। মসি খ্বাইদগী শক্তি লৈবা অমনি। মসিদা ইফিসিএন্সি ওইহল্লিবসিনা নুমিৎতা য়াওরিবা অলত্রা ভাইওলেট ৱেবলেঙথ ২৪০০-২৮০০°এ য়াওবগীনি।

**(২) ফিজিকেল ঃ** দিসইনফেক্টসন তৌবদা মনিলসিসু খ্বাইদগী ফবা অমনি। মনিলসিসু অচোৎপা ওইরগদি খ্বাইদগী হেন্না ফৈ। মসিদসু নত্তনা নুংশিৎ অশাবা, ঈশিং অশাবা, মৈ অমদি মনিলসিসু দিসইনফেক্টটেন ওইনা শীজিন্নবা য়াই। নুংশিৎ অশাবসিসু দিসইনফেক্টটেন ওইনা শীজিন্নবসি য়াম্না কান্নে অদুবু মমল য়াম্না ৱাংই। শা-ষণ লোয়বদা শীজিন্নরিবা পাত্র খুদিংমক ঈশিং অশাবদা/অশৌবদা মিনিট ৫ লুপ্লগা থম্বদা মহিক ময়াম অমা শি। মনিল দিসইনফেক্টটেন ওইনা শীজিন্নবসিসু মমল য়াম্না ৱাংই। দিসইনফেক্টসন তৌবদা মৈ ওইনা শীজিন্নবসিসু মফমদুদা লৈরল্লিবা বেক্টেরিয়া অমদি স্পোর ময়াম অমা হাৎপা ঙমহল্লি। মসিগীদমক লায়না চেন্দুনা শিখ্রবা শা-ষণ মৈ থাদোপসিনা খ্বাইদগী ফবা দিসইনফেক্টটেননি।

**(২) কেমিকেল দিসইনফেক্টটেন ঃ** দিসইনফেক্টসন তৌবদা কেমিকেলশিং খুদম ওইনা হায়রবদা এসিদ, অলকালি, পোটাসিয়ম পরমেগনেট, হায়ড্রোজেন পেরাওক্সাইদ, অলকোহোল, ফিনাইল অসিনচিংবা ময়াম অসিনা মহিক্তা য়াওরিবা প্রোটিনগা রিএক্ট তৌরগা মপাঙ্গল হন্থহল্লি।

**মহিক হাৎনবগীদমক মখা পোল্লিবসি ঃ**

- শীজিন্নগদৌরিবা দিসইনফেক্টটেনগী কন্সেন্ট্রেসন
- কেমিকেল শীজিন্নরগা মতম কয়া অমুক থমগদবা
- শীজিন্নবগী মওং
- কেমিকেল সোলুসন শেম্লগা শীজিন্নবগী মতম
- কেমিকেল শীজিন্নদ্রিঙৈদা নিংথিনা মকোন্দু চামথোকহৌদ্রগদি কান্নবা ফংদে।

**গ্যাসিয়স ঃ** মসিদা ঐখোয়না ফোর্মেলডিহাইদ শীজিন্নরগদি মখল খুদিংগী ভেক্টেরিয়া অমদি মাগী স্পোর ময়াম অমা হাৎপা ঙম্মী। পোটাসিয়ম পরমেনগনেট অমদি ফোরমলিনসি ২.৩ গী চাংদা শীজিন্নদুনা মকোন্দা কাপথোক্তুনা মহীক চঙহন্দবা ঙমহল্লি। করিগুম্বদা ঐখোয়না ফোরমেলিনগী মনিলশিং শীজিন্নবা তারগদি কা মনুংদা কাপ্লবা তুংদা পুং ২২ থোঙ লোনশিল্লগা থন্বীগনি। মসিদা অকনবা ভেক্টেরিয়াগী স্পোর খুদিংমক শিবা ঙমহল্লি। মকোন শেংদোকপদা সোদিয়ম কার্বোনেট (ৱাশিং সোদা) শীজিন্নবা য়াই। মসি চাদা ১ হাপ্লগা শীজিন্নরগদি ভেক্টেরিয়া ময়াম অমা হাৎপা ঙমহল্লি। লৈমায় মোৎপা/স্পোর হাৎনবগীদমক্তা চাদা ২ অমদি চাদা ৩ শীজিন্নবা য়াই। মসি শীজিন্নগদৌরিবা মীদুনা অনোক অমদি মখূৎকী গ্লোব উপ্পনা হেন্না ফৈ। হায়রিবা ৱাশিং সোদাসি মার্কেটতা ইরায় লায়না ফংবতা নত্তনা হু চেলহন্দনা ঈশিংদা লায়না তুমহল্লি। মহীক ময়াম অমা হাৎপা ঙমহল্লি।

**মকোন শেংদোকপসিসু মখল অনী থোক্না শেংদোকপা য়াই ঃ**

**লায়না লাক্ত্রিঙৈদা শেংদোকপা অমা ঃ-** লায়না লাক্ত্রিঙৈদা শেংদোকপা তারগদি মকোন মনুংদা লৈরিবা পাত্র খুদিং লৌথোক্লগা মপান্দা থন্বীগনি। পাত্র খুদিংমক দিসইনফেক্টটেন্না লুপ্লগা মতম খরা হন্থবা তুংদা ঈশিংদা চামথোকপীগনি। মকোন মনুংদুদসু ঈশিংনা হান্না চামথোক্লবা তুংদা দিসইনফেক্টটেন হাপ্লগা শেংদোক্লবা তুংদা মতম খরা লৈরগা ঈশিং অচম্বনা অমুক চামথোকপীগনি।

করিগুম্বা লায়না মায়োক্লখিবা তারগদি মকোনদুদা লৈরিবা চরু/ৱাই অমোৎ-অকায়নচিংবা লেমহৌবা মচিঞ্জাক খুদিংমক মৈ থাদোকপা নৎত্রগা ফুম্বীয়ু। ফক্লাং অমদি লৈমায়সু ৱাশিং শোদা শীজিন্নদুনা শেংদোকপীয়ু। অনৌবা চরু/ৱাই হাপত্রিঙৈদা পোলিথিন শিদ অপাকপা অমা থাবীদুনা অনৌবা চরু/ৱাইশিংদু হাপ্পীগনি। মকোন মমাঙদা খোঙউপ উপ্লগা চৎনবা দিসইনফেক্টটেন য়াওরবা মহীদু মকোনগী চঙফমদা থন্বীদুনা চঙবা মতমদা নেৎলগা চঙলগদি মহিক চঙলকপগী চাং হন্থহল্লি।

অসুম্না লায়না তীলনা চঙহন্দনা মকোন নিংথিনা লূ নান্না থম্লগদি লায়না লাকপগী চাং য়াম্না নেম্বদা নত্তনা হেন্না শাহৌ ফদুনা অমদি হেন্না পোথোক পুথোক্তুনা শেন্দোং লৈবা ঙমহল্লি। ●



# লৌফমদা হীদাক তোয়না কাপ্তনবা ঈ টি/আই এল

ডো. ৱাইখোম জিতেন

মালেমগী ওইনা ফৌ থারিবা লৌফমশিংদা লৈরিবা তীল মখল অসি ৮০০ হেল্লি। মসিগী মনুংদা ফৌদা শোকহল্লিবা তীল মখল অসি চাউরাক্না ১০০ রোমতনি। মরম অদুনা লৌফমদা লৈরিবা তীল মখলশিং অসিগী মনুংদা অয়াম্বা তীল মখলশিংদি ফৌ পান্বীদা কান্নবা পীবা তীলশিং ওই। মরম অসিনা ঐখোয়না লৌফমদা তীল খরা হেক উবগা হীদাক কাপ্লগী হৈনবী অসি থাদোক্তুনা ঐখোয়দা কান্নবা পীগদবা তীলশিং অসি য়োকখৎপগী মতম য়ৌরে। মতৌ অসুম্না হীদাক কাপ্পীবা মতমদা ঐখোয়দা মাঙ তাকহল্লিবা তীলশিং অসি লৌফমদা কয়া য়াম্না লৈরবদি হীদাক কাপ্পা য়ারবগে হায়বদু লেপ্পবগী পাম্বৈদি Economic threshold/Injury level (ET/IL) অসিনি। তীলশিংনা ফৌগী পোথোক অসি চাউরাক্না চাদা ২৬কুম্বগী চাংদা হন্থহল্লি। লৌফমদা লৈরিবা ফৌবু মাঙহনবা ঙম্বা তীল মখলশিং অসি ফৌদা কান্নবা পীবা তীলশিংনা অমুক হাৎলিবনি। মরম অসিনা ফৌবু মাঙহনবা ঙম্বা তীলশিংনা মশীং য়ামদ্রবদি হীদাক কাপত্রবসু ফৌদা কান্নবা পীবা তীলশিংনা হাৎখিদুনা ফৌগী পোথোক্তা থোইনা অকায়বা পীদে। মসি নত্তদুনা ফৌদা মাঙহনবা ঙম্বা তীল মখল খরা হেক উবগা হীদাক কাপ্লবদি ফৌদা কান্নবা পীবা তীলশিংসু হাৎখিদুনা কান্নবা পীবা তীলগী মশীং লৌফমদগী হন্থরক্কনি। অসিগুম্বা তাঞ্জাসিদা ফৌদা মাঙহনবা ঙম্বা তীলশিংনা অমুক নৌনা লান্দারক্তুনা চাথোক হন্থহনবা নৎত্রগা নৌনা হীদাক অমুক কাপ্লগী তঙাইফদবা অদু লাকই। মরম অদুনা লৌফমদা উরিবা ফৌবু মাঙহনবা ঙম্বা তীলশিং অসিনা কয়া য়াম্লবা মতমদা হীদাক কাপকদগে হায়বসি খঙদ্রবা য়াদ্রবা ৱাফম অমা ওইরে।

তোঙান-তোঙানবা তীল মখলশিংদা করম্বা মতমদা হীদাক কাপকদগে :-

**ইঙেল্লাই চুবী (Thrips) :** তীল মখল অসি ফৌনা নৌরিঙৈ মতমদা তাগনবা তীল মখলনি। তীল মখল অসিনা শোকহল্লবা ফৌ পান্বীশিং অদুগী মনাশিং অদু লোং মচিন মান্না তুমগনি অমদি কংশিল্লক্কনি। কোনশিন্দুনা লৈরিবা ফৌনাশিং অদু তিংথোক্তুনা য়েংবদা অমুবা নৎত্রগা উৎ মচুগী তীলকুপশিং লৈবা থেংনবীগনি। তীল মখল অসিনা ফৌনা খুদিংদা চাওরাক্না ১০/১০গী চাংদা লৈবা থেংনরবদি হীদাক কাপ্পীবা য়ারে। তীল মখল অসিগীদমক Speed (Chloropyriphos 20%) অসি ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা মিলিলিটর ৩০গী চাংদা য়ানবীরগা কাপ্পীগনি। লৌ শঙম অমগী লৌফমদা হীদাক মখল অসি মিলিলিটর ১৫০-২০০ ফাওবা শীজিন্নবীগনি।

**হয়িং তীল (Whorl maggot) :-** তীল মখল অসিসু ফৌনা নৌরিঙৈ লন্না হৌরিঙৈ মতমদা তাবা তীলনি। তীল মখল অসিনা শোকহল্লবা ফৌ পান্বীগী মনাশিং অদুগী ময়ায় ওইরপ্না মনাগী মতাইদা তীলনা চাখিবগী মফম লৈবগা লোয়ননা ফৌনা অদু কোল্লপ তৌবা থেংনগনি অমদি ফৌনাগী মপান অদু চে মান্না ঙৌগনি। ফৌ পন্দোং অমদা পাল্লিবা অমুনবা ফৌনাগী চাদা ২০ অসিগুম্না তীল অসিনা শোকহল্লবা য়াবদি মনা ৫ পানবা ফৌ পান্বী অমদা মনা অমা তীল অসিনা শোকহল্লবদি হীদাক কাপ্পীবা য়ারে। তীল মখল অসিসু ইঙেন লাই চুবীদা শীজিন্নখিবা হীদাক মখল অদুমক শীজিন্নবীগনি।

**ফৌনা কোনশিনবী (Leaf folder) :-** তীল মখল অসি ফৌনা মচা পোকপা মতমদগী হৌরগা ফৌনা মপাল লাকপা মতম ফাওবদা লৌফমদা তাবা য়াই। তীল মখল অসিনা শোকহল্লবা ফৌনাশিং অদু কোনশিনগনি অমদি অশংবা মনাশিং অদু তীলনা চাথোকখিদুনা চে মচু মান্না ঙৌনা লৈহৌগনি। কোনশিল্লিবা মনাশিং অদু চিংথোক্তুনা য়েংবা মতমদা হোরাই মকুপ মানবা তীলথিশিং অমদি তীলশিং ফৌনাদা য়োমশিন্দুনা লৈবা থেংনগনি। তীল মখল অসিগীদমক Karate (Lambda Cyhalothrin 5%) গুম্বা হীদাক মিলিলিটর ১৫ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়ানবীরগা লৌ শঙম অমগী লৌফমদা হীদাক মিলিলিটর ১০০ গুম্বা কাপথোকপীগনি।

**মরেক (Cage worm) :** তীল মখল অসি ফৌনা নৌরিঙৈ অমদি ঈশিং চাউনা লৈবা মতমদা তাগনবা তীলনি। তীল মখল অসিনা শোকহল্লবা ফৌনাশিং অদু চে মান্না ঙৌগনি অমদি ফৌনানা কোনশিন্দুনা শেম্বা উতোং মকক-মকক ঈশিং ঈমাইদা তাওবা থেংনবীগনি। তীল মখল অসিনা ফৌ পান্বী খুদিংদা অনীদগী তাদনা লৈরবদি হীদাক কাপ্পীবা য়ারে। তীল মখল অসিগীদমক ফৌনা কোনশিনবী নৎত্রগা ইঙেন লাই চুবী তীলদা কাপখিবা হীদাক মখলশিং অদুগী মনুংদগী অমা হেক্তা কাপ্পীবা য়াই।

**ময়োল চিকপী (Stem borer) :-** তীল মখল অসি ফৌনা মচা পোকপা মতমদগী হৌরগা ফৌনা মপাল শাবা মতম ফাওবগী মনুংদা তাবা য়াবা তীল মখল অমনি। তীল মখল অসিনা শোকহল্লবা ফৌ পান্বীশিং অদুগী ময়োলশিং অদু কংশিল্লক্কনি অমদি পায়দুনা চিংবদা ইরায় লায়না লাক্কনি। ফৌনা মপাল শাবা মতমদদি ফৌ চরোংশিং অদু চুরা মান্না ইনখৎলক্কনি। তীল মখল অসিগী মরূম মপাক অমা নৎত্রগা তীল মপী অমা মিটর অমা পাকপা মফম খুদিংদা লৈবা থেংনরবদি হীদাক কাপ্পীবা য়ারে। করিগুম্বা ফৌনা মপাল শাবা মতম য়ৌরক্লবদি ফৌ চরোং ১০০ খুদিংদা চরোং ৫দগী তাদনা তীল অসিনা শোকহল্লবা মতমদা হীদাক কাপ্পীগনি। তীল মখল অসিগীদমক Coragen হায়রিবা হীদাক অসি মিলিলিটর ৩ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়ানবীরগা লৌ শঙম অমা চাউবা মফমদা হীদাক মিলিলিটর ২০ কাপ্পীগনি।

**ফৌ উতোং (Gall midge) :-** ফৌ পান্বীগী ময়োল অদু তিলহৌ মনা ইন্থোরকপা মানবা তীল মখল অসি ফৌনা লৌহোন ওইনা লৈরিঙৈদগী হৌরগা ফৌনা মমি তম্লকপা ফাওবদা তাবা তীলনি। তীল মখল অসিগীদমক ফৌনা মচা পোকপা তঙ্খাই চনবা মতমদা লৌফম অদুদা ফৌ মচা ১০০ খুদিংদা উতোং ৫ উবীরবদি হীদাক কাপ্পীবা য়ারে। ফৌনা মমি তম্বা মতম য়ৌরকপদা উতোং খরা খক উবগীদমক হীদাক কাপ্পীবগী কান্নবা লৈতে। তীল মখল অসিগীদমক Thiamethoxam 25% হায়রিবা হীদাক অসি গ্রাম ৫ ঈশিং লিটর ১৫দা য়ানবীরগা লৌ শঙম অমা চাউবা লৌফমদা গ্রাম ২৫ কাপ্পীগনি।

মতৌ অসুম্না হীদাক কাপ্লগী মতম অসি নিংথিনা য়েংবীরগা কাপ্পীদুনা ঐখোয়গী অকোয়বা অসি তরু-তরুনা থম্বগা লোয়ননা পাল্লিবা পোথোক-চাথোক অদু ফংনবা হোৎনমিন্নবগী মতম য়ৌরে। ●

ꯍꯥꯀꯤꯃꯁꯤꯡ / থাগৎচরি, থাগৎচরি ওজা
ABDUL HAK কবিরাজপু

পাইলসনা য়াম্না কন্না নাদুনা ঐগী হকচাংদা য়াম্না অৱাবা ওইদুনা লৈরকখি। অদুবু ঙসিদি ওজা কবিরাজ অবদুল হক্কী মনাক্তা চত্তুনা লায়েংজবদগী অমসুং অল্লাহগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। খোঙ হাম্বা মতমদা কুইনা চঙবা, অমাংথোঙ মপান্দা চেকখাইবা, খোঙ হাম্বদা শৌজ নান্থবা, খোঙ হাম্বা মতমদা ঈ তাবা, খূৎনা ইনখৎত্রিফাওবা শৌজ চঙউ য়াদবা, ঙকশম মরী নাবা, চানীং-থকনীংবা পোক্তবা, গ্যাষ্ট্রিক কাবা পূম্নমক মপূং ফানা ফরে। মরম অদুনা ওজা অবদুল হকপু থাগৎচরি। পাইলসকী অনাবা লৈবশিংনা ঙসিমক ওজাগী কন্টেক্ট নম্বর 8794429681 & 8014623756 তা পাউ ফাওবীদুনা হকচাং নুংঙাইনা হিংবীয়ু।

**ওজাগী লায়েংফদি :-**

1. Wangoi SBI Awang, near oil pump (6 am to 5 pm)

*থাগৎচরিবা :* R.K. Ibomcha
Kwakeithel Bazar
HL-P/7274/20

KANGLEIPAK MEDICAL AND NURSING INSTITUTE
Khurai Konsam Leikai
Admission is going on for Academic Session 2020 - 2021.

College of Nursing

| Sl.No. | Course | Qualification | Duration |
|---|---|---|---|
| 1. | B. Sc Nursing | 10+2=Pass (Sc) | 4 Yrs. |
| 2. | Post B. Sc Nursing | GNM pass | 2 yrs. |

College of Paramedical

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1. | Diploma in Medical Laboratory Technician | 10th pass | 2 yrs. |
| 2. | Diploma in Radiography | 10th pass | 2 yrs. |
| 3. | Diploma in Operation Theatre Technology | 10th pass | 2 yrs. |
| 4. | Diploma in E.C.G. | 10th pass | 1 yrs. |
| 5. | Opthalmic Assistant | 10+2 Sc | 2 yrs. |
| 6. | Diploma in Ultra Sonography | 10th pass | 1 yrs. |
| 7. | Diploma in Medical Record Science | 10th pass | 2 yrs. |
| 8. | Blood Bank Assistant | 10th pass | 1 yrs. |
| 9. | Certificate in Dental Technician | 10th pass | 1 yrs. |

Application form and indetail can be had from the office during office hour.
HL-P/7370/20,22,24,26,28
Sd/- Managing Director

SANGAI HR. SEC. SCHOOL
CHUMBREITHONG, MANTRIPUKHRI, IMPHAL
7642035360 / 8974928646
Hearty Congratulation to all the successful Sangaiites in the HSE,2020.
Th. Pathousana
3rd Position(Com)
in H.S.Exam.2020
S/o. Th. Manoranjan
&
N. Jibanmala of
Kangla Sangomshang



Our Achievement HSE 2020
Commerce - 100%
Science - 99.21%
Arts - 92.11%
Admission open for Classes XI Science, Arts and Commerce.
Applied Admission Online www.sangaihrsecschool.in
EDUCATION FOR A COMPLETE MAN
HL-P/7361/18,19,20

MANIPUR POLICE HOUSING CORPORATION Ltd.
(A GOVT. OF MANIPUR UNDERTAKING)
IMPHAL, MANIPUR.
NOTICE INVITING e-Tenders

The Executive Engineer-II invites on behalf of Managing Director,MPHC Ltd., online item rate bids on two bid system of the following works:

1. e-Tender NO. 04/EE-II/MPHC/2020-21 dated 17/07/2020 for the work "Construction of 12 (twelve) EVM and VVPAT Warehouse in Manipur (SH:-Construction of Tamenglong DEO/DC EVMs Strong Room)".
(i) Estimated cost:- Rs. 2,26,67,548/- (ii) Earnest Money:- Rs. 4,54,000/- (ii) Period of completion :- 10(ten) (iv) Last time and date of submission of bid :-1400 hrs.of 27/07/2020.

The bid form and other details can be obtained from the website www.manipurtenders.gov.in
HL-B/6280/20

ONLINE CLASSES
ENGLISH & RHYMES COURSES
CLASS X ENGLISH (BOSEM) EXAM ORIENTED COURSE
➤ SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
➤ RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact No. ☎ 8974642764
HL-P/3235/27/06-26/07

PIS
P.I.S BRICK FIELD
(Mechanised)
Wangjing Sabal Chekon Leikai
Near Khongjom War Memorial Complex
P.O. Wangjing Dist. Thoubal
Pin-795148, Manipur
Contact: 9862048579 | 8787464898

| DISCOUNT!!! | | DISCOUNT!!! |
|---|---|---|
| 1st Class | ~~₹12.50~~ | ₹11.90 |
| 2nd Class | ~~₹12.00~~ | ₹11.40 |
| 1st Rej Class | ~~₹10.50~~ | ₹10.00 |
| P.T Class | ~~₹10.50~~ | ₹9.20 |
| 3rd Class | ~~₹6.00~~ | ₹5.50 |

LIMITED PERIOD OFFER
HL-P/7313/14 to 11 aug. (alt.)

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অহৈবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।